# মে দে নুমিত্তা মশীং য়াম্লবা শিন্মীশিংনা ফ্রান্সকী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে



পেরিস, মে ০২ (এজেন্সী) :
অমুবা ফিজোল শেৎপা শিন্মী প্রোটেষ্টর লীশিং কয়ানা মে দে নুমিত্তা পেরিস য়াওনা ফ্রান্সকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা দিমান্দ কয়া তৌরদুনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা খোঙজংশিং চঙশিনখ্রে হায়রি।

মশীং য়াম্লবা শিন্মীশিং অদুনা মখোয়গী ফংফম থোকপা খুৎশুমনশিং মতিক চানা ফঙহন্নবা অমদি গভর্ণমেন্টনা শিন্মীশিংগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎকদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি। শিন্মী লীশিং কয়ানা ফ্রান্সকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুবু পুলিসনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবশিং থোকখি।

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা শিন্মীশিংগা পুলিসকা মুক্নবগী থৌদোক থোকখি। নাকল অনীগী মরক্তা চাওনা মুক্নরকপদগী পুলিসনা খোঙজংলোয় ৪৬ ফাজিনখি। পুলিসনা শিন্মী খোঙজংলোয় কয়া ফাজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোইশাওনরবা শিন্মীশিং অদুনা মনাক নক্না লৈরম্বা পোৎ চৈ খরা মৈ থাখি। অমদি বেঙ্ক ব্রাঞ্চ অমগী থোঙনাওগী মিংশেলসু থুগাইখি।

লাইওনদা চঙশিনখিবা খোঙজংদনসু পুলিস অমদি খোঙজংলোয়শিং মুক্নরকপদগী পুলিস ওফিসর ২৭ অশোক অপন নংখি। পুলিসনসু খোঙজংলোয় ৫ ফান্দুনা থমখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ফ্রান্সকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙরাং চঙশিনখিবা খোঙজং অদুনা কেপিটেল পেরিস অমদি অতোপ্পা শরুক খরদা পুলিসকা মুক্নবগী থৌদোক থোকখ্রবসু অতোপ্পা মফমশিংদদি শিন্মীশিংগী রেল্লি অদু শান্তি ওইনা পাঙথোকখি হায়রি।

মীওই ১,০৬,০০০ হেনবনা ঙরাংগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখি। পেরিস খক্তদা শিন্মী ১৭,০০০ হেনবনা খোঙজং চঙশিনখি। শিন্মীশিংগী খোঙজং অদুদা ঙসিদগী চহী ৩ লোমগী মমাংদা ফ্রান্স গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনখিবা য়েলো ভেষ্ট মুভমেন্টকী খোঙজংলোয়শিংসু শরুক য়াশিনখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা খোঙজংলোয়শিংনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা পেন্দবা খোল্লাও লাউখিবগা লোয়ননা শিন্মীশিংগী পীফম থোকপা খুৎশুমনশিং মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা পীথোক্কদবনি। চৈরাক অমগা লোয়ননা ঐখোয় হিংবা পামদে। ইশাগী ফংফম থোকপা হক ফংহনবা অমদি অচম্বা পুন্সি মহিং অমদা হিংবা পাম্মী। গভর্ণমেন্টনা শিন্মীশিংগী হক মৎনবা হোৎনরোয়দবনি। অমদি অচৌ অচৌবা কম্পনিশিংনা শিন্মীশিংগী মায়োক্তা চত্থরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংগী মায়োক্তা গভর্ণমেন্টনা লেপকদবনি হায়রি।

ঙরাংগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মশাগী চহী ৬৬ রোম শুরবা নাতাশা বটলর কৌবী শিন্মী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা ফ্রান্স গভর্ণমেন্টনা কোভিদ পেন্দমিক মনুংদা শিন্মীশিংগী পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খত্তবনা মরম ওইরগা শিন্মী লাক্ষ কয়া অৱাবা মায়োক্লরি। খরা অমনা মখোয়গী থবক মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরি।

মমাং চহীদসু কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী শিন্মী কয়াদা অৱাবা কয়া পীখিবা অদু কোক্ত্রিঙৈদা অনীশুবা ৱেভ অসিনা অমুক হন্না চৈথেং পীররি। গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌগদবনি।

# ইন্দিয়াদগী থুংলবা মীওইশিং ফাইন লৌবগা লোয়ননা জেলদা থল্লবা য়ানা লৈরি




সিদনি, মে ০২ (এজেন্সী) :
মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অমনা অনীরকশুবা ওইনা অকনবা চৈফু পীরক্লি। চৈফু অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী চৈথেং ফংহল্লিবা লৈঙাক অসি মালেমগী ওইনা মী মশীং য়াম্নদা অনীশুবা লৈবাক ওইরিবা ইন্দিয়ানা ওইরি।

মরম অদুনা মে ৩ গী মতুংদা ইন্দিয়াদগী ওষ্ট্রেলিয়াদা থুংলবা মীওইশিং ফাইন লৌবগা লোয়ননা চহী ৫ জেলদা থল্লবা য়ানা লৈ হায়না গর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুগী সিটিজেন খুদিংমক্তা ইন্দিয়াদা ভিজিট তৌদনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী ৱাংমদা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন খুদিংমকসু নুমিৎ ১৪ গী মতম পীদুনা লৈবাক অসিদা হল্লক্নবা মাঙজৌননা খঙহনখ্রে। গভর্ণমেন্টনা পীখিবা নুমিৎ ১৪ নি অদু মে ৩ দা মপুং ফারে। মরম অদুনা মে ৩ গী মতুংদা ইন্দিয়াদগী থুংলবা মীওই খুদিংমক ফাইন থিহনবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা থমখিবা অথিংবা থুগাইবগীদমক ক্রিমিনেল কেস কান্দুনা চহী ৫ রোম জেলদা থল্লবা য়ানা লৈরি হায়রি।

হেল্থ মিনিষ্টর গ্রেগ হন্টনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্টনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি তরাই তরাই হেক্তা লৌখিবা নত্তে। কয়ারক হন্না খন্নরবা মতুং লৈবাক অদুগী মীয়ামগীদমক য়েংলগা অমদি তুংদা খুদোংথিবা থোকহল্লক্তনবগীদমক ফিরেপ অসি লৌখিবনি। ইন্দিয়াদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা পুং ২৪ খুদিংগী কোভিদকী অনৌবা কেস লাক্ষ অহুমগী মথক্তগা থেংনখিবগা লোয়ননা লীশিং ২ গী মথক্তা শিহল্লি হায়রি। গভর্ণমেন্টনা থমখিবা অথিংবা অসি মে ১৫ গী মতুংদা অমুক হন্না খন্নগনি হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা অকনবা ৱার্নিং পীখ্রে

সিওল, মে ০২ (এজেন্সী) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা শগোলশেন নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খূৎলাই থাদোকপগী ফিরেপ লৌরবদি ৱারী শান্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মায়োক্তা নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি লৈবাক অদুগী সেক্যুরিটিদা শীংনরক্লবদি তুংদা খুদোংথিবা নংলকপা য়াই হায়না ৱাশিংটনদা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা নোর্থ কোরিয়গী ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা পিয়োংয়াংদা ঈং তপ্পা পুরক্নবা হোৎনরিবা অদু নোর্থ কোরিয়ানা তরাম্না ওকই। অদুমওইনমক নোর্থ কোরিয়াগী সেক্যুরিটিগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা য়ু এসনা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনরিবা অদু লাইবকথিবনি। নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি ফাওবদা য়ু এসকী মায়োক্তা অহেনবা থবক থৌওংশিং চত্থখিবা লৈত্রি। অদুমওইনমক শীংনরক্লবদি মদুগী পাউখুম চপ চানা পীগনি হায়রি।

য়ু এসনা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক মখোয়গী মখাদা থম্নবা হোৎনরিবা অদু নোর্থ কোরিয়ানা খঙই। মদুনা মরম ওইরগা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অদুগী সেক্যুরিটিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তৌফম থোকপা মথৌনি। নোর্থ কোরিয়াগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া তৌরিবা লৈবাক অদুগী লুচিংবা কিম জোং অংগী মতাংদা য়ু এসনা হুন্দুনা ঙাঙলিবা অদু তৌরোইদবনি হায়রি।

# জপানদা মেগনিচুদ ৬.৮ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে

টৌকিও, মে ০২ (এজেন্সী) :
জপানগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা মেগনিচুদ ৬.৮ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে। অদুমওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মদুনা মরম ওইরগা অমাং অতা থোকহনখিবা অমদি সুনামিগী ওইবা ৱার্নিং অমত্তা লৈত্রি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ষ্টেট জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোকখিবদা লৈমায়দগী কিলোমিটর ৪৭ লুবা মফম অমদগী য়ুহা অদু হারকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১১ দা হাখিবা য়ুহা অমনা মরম ওইরগা জপানদা সুনামি থোকহন্দুনা মীওই লীশিং ১৮ হেন্না শিহনখি। হন্দক্কী ওইনসু য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা অমুক হন্না সুনামি লাকহনগদ্রা হায়না মীয়াম্না পাখৎনরবসু ওফিসলশিংগী মায়কৈদগীদি খুদোংথিনিংঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

জপানগী মেটিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুগী ইষ্টর্ন কোষ্টতা হাখিবা য়ুহা অদুনা টোকিও ফাওবা নিকহনখি। অদুমওইনমক সুনামিগী খুদম হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ফংবা লৈত্রি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মেট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা অমাং অতা অমদি অশোক অপন থোকখিব্রা হায়না থিজিল্লি। অমদি লৈবাক অদুগী মীয়াম্না চিংনরিবা সুনামিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং পুং খরগী ওইনা জপানগী মফম খুদিংমক্তা রেলৱে সার্ভিসশিং সস্পেন্দ তৌখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# জেলদা ফাজিন্দুনা থম্লিবা ক্রেম্লিন ক্রিটিক নভালনিগী পর্সনেল লোয়র রুসিয়ন ওথোরিটিনা দিটেন তৌদুনা থমখ্রে



মোস্কো, মে ০২ (এজেন্সী) :
রুসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা ক্রেম্লিন ক্রিটিক এলেক্সে নভালনিগী পর্সনেল লোয়র ইভান পেল্লোক ক্রিমিনেল চার্জগা মরী লৈননা রুসিয়ন পুলিসনা ইরাই নুমিত্তা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না নভালনিগী এন্টি করপসন ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইরাই নুমিত্তা রুসিয়ন পুলিসনা লোয়র ইভানবু ময়ুমদগী ফাখিবনি। নভালনিগা নক্না চৎমিন্নরম্বা মীওই কয়া রুসিয়ন ওথোরিটিনা ফাদুনা জেলদা থমজিনবা অমদি কিহনবগী থবক কয়া চত্থরি।

লোয়র ইভান পেল্লোকনা নভালনিগী রিজনেল ওফিসশিংগী নেটৱার্কশিং অমসুং এন্তি করপসন ফাউন্দেসন্না মতম শাংনা দিফেন্দ তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু মমাং থাগী ময়াই চল্লকপদা রুসিয়ন কোর্ট অমনা নভালনিগী মতেং পাংলিবা মীওইশিং অমদি মহাক্কী ওর্গনাইজেসন লোয়ননা ফাউন্দেসনশিং লালহৌবগা মরী লৈনবনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মখোয়বু থিংজিন্নবা অমদি ফনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

পনবা য়াবদি জেলদা ফাজিন্দুনা থম্লিবা নভালনিনা মহাক্কী হকচাংগী ট্রিটমেন্ট মপুং ফানা চত্থবিদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা জেল মনুংদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। মতম শাংনা চরা হেল্লকপনা মরম ওইরগা নভালনিগী হকচাংগী ফীভম কা হেন্না শোকচিনখিবগা লোয়ননা মায়কৈ কয়াদগী মহাকপু মতিক চাবা হোস্পিটাল অমদা পুদুনা ট্রিটমেন্ট চত্থনবা তকশিন্দুনা লাক্লি।

# ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী ওইরিবা ফীভম অসি থম্মোয় কায়নিংঙাইনি

ৱাশিংটন, মে ০২ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ না অকনবা চৈথেং পীরকপদগী লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না খুদোংচাদবা ময়াম মায়োক্লরিবা অদু য়াম্নমক থম্মোয় কায়নিংঙাই ওই হায়না য়ু এস লোমেকরশিংনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবগীদমক য়ু এস য়াওনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা মতেং পাংবা হৌনরকখ্রে অমদি কয়া অমনা মতেং পাংগদবগী ঙাইদুনা লৈনরি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদ্রবদি কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রবসু অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিয়েন্ট অসিনা অমুক হন্না শোকহল্লকওই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অদুনা ইন্দিয়াদা শন্দোরক্লিবা অনৌবা কোভিদ-১৯ গী ভেরিয়েন্ট অসি মালেম পুম্বনা হোৎনমিন্নদুনা কন্ট্রোল তৌহৌনবা হোৎনগদবনি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ না নাবগী চাং খঙহৌদনা হেনগৎলকপদগী হোস্পিটালদা লৈনবা মফম লৈশিল্লক্তবা অমদি কোভিদ পেসিয়েন্টশিংনা শীজিন্নবা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা কয়া লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মী শিবগী চাং হেনগৎহল্লক্লি। ইন্দিয়াদা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈরিবা অদু মতেং ওইনবগীদমক য়ু এসকী মায়কৈদগী অহানবা ওইনা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌবা হৌখ্রে। অতোপ্পা লৈবাক খরদসু ওক্সিজেন সপ্লাই তৌবা হৌরনরক্লি।

হৌজিক মথৌ তারিবদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংনা দরকার ওইরিবা ওক্সিজেন নৎত্রগা ভেন্টিলেটর সপ্লাই তৌবা অদু নত্তে। মথৌ তারিবদি নৌনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবনি হায়রি। আমেরিকাদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক ভেক্সিনেট তৌরগা ভাইরস মখল অসিদগী নাম্থোকপা ঙম্লোই। মালেমদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মপুং ফানা মাঙহনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোরক্লি।

# কার বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিরে, কয়া অমনা শোকখ্রে



কাবুল, মে ০২ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা লোগার প্রোভিন্সতা কোর বোম অমা পোকখায়হন্দুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ হেন্না হাৎখ্রে অদুগা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অদু হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোকখ্রবশিংগী মনুংদা হায়স্কুল তল্লিবা মহৈরোয় খরসু য়াওরি।

লোগার প্রোভিন্সকী হান্নগী প্রোভিন্সিএল কাউন্সিলগী মকোক ওইরম্বা অমগী য়ুম মনাক নক্না পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং হাপ্লবা কার অদু থল্লম্বনি হায়না লোগার গভর্ণরগী ৱাঙাঙলোয় দিদার লৱাংনা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অদু কনানা চত্থখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অমদি গ্রুপ অমত্তনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপসু লৈত্রি। অদুমওইনমক টালিবান লালহৌবশিংনা থৌদোক অদু থোকহনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি।

# ফুৱেল টেঙ্কর পোকখায়বগী থৌদোক্তা ৭ শিরে, ১৪ শোক্লে

কাবুল, মে ০২ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা চহী ২০ হেন্না য়ুরোপ লৈবাক্তগী লাকখিবা লান্মীশিংনা মতম শাংনা মথৌ তৌদুনা লৈরকখ্রবা মতুং মে অমদগী লৌথোক্লগনি হায়না মরী লৈনবশিংনা ফোঙদোকখিবগা ইকান কান্নদনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা পেট্রোল পম্প মনাক অমদা ফুৱেল টেঙ্কর অমা পোকখায়খ্রে।

টেঙ্কর পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই ৭ শিখিবগা লোয়ননা ১৪ অশোক অপন থোকহনখ্রে হায়না ইন্তরিয়ের মিনিষ্টরগী ৱাঙাঙলোয় টরিক অরিয়ানা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অদু শোয়বদগী থোকখিব্রা নৎত্রগা কনাগুম্বা গ্রুপ নৎত্রগা মীওই খরনা অতম্ননা চত্থখিব্রা হায়বদুগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অরিয়াননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফুৱেল টেঙ্কর অমদা খঙহৌদনা মৈ চাকপা হৌরকখি। মদুগী মতুং মনাক নক্না খাম্বা অতোপ্পা টেঙ্কর অদুদসু মৈ ৱাইরকখিবনি। খঙহৌদনা টেঙ্করশিং অদু অঙকপা ফংনা মৈ চাকখিবগা লোয়ননা মফম অদু মৈখুনা পুং খরগী ওইনা পুংমম মমহনখি হায়রি।

# ইন্দিয়া, ব্রাজিল, টর্কিদগী পেসেঞ্জরশিং লাকপা থিংখ্রে

নাইজেরিয়া, মে ০২ (এজেন্সী) :
নাইজেরিয়ানা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ইন্দিয়া, ব্রাজিল অমসুং টর্কিদগী লৈবাক অদুদা নন নাইজেরিয়ন পেসেঞ্জরশিং লাকপদা অথিংবা থমখ্রে হায়না হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা লৈবাক অহুম মরু ওইনা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অমা অকনবা চৈথেং পীরকপনা মরম ওইরগা লৈবাক অহুম অসি ফাওদুনা লাকপা মীওইশিং নাইজেরিয়াদা চঙহন্দনবা ফিরেপ লৌখিবনি। হায়রিবা লৈবাক অহুম অসিদগী লাকপা মীওইশিং নাইজেরিয়াদা চঙহন্দবগা লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা নাইজেরিয়নশিং য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৪ নি ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈগদবনি।

লোয়ননা নাইজেরিয়াদা থুংলগদবা পেসেঞ্জর খুদিংমক্না পুং ৭২ গী মনুংদা লৌখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না মখোয় কোভিদ নেগেটিভ ওই হায়বগী প্রমান পীগদবনি হায়রি। লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ না মীওই ২,০৬৩ শিহনখ্রে।

# অফঘানিষ্টানদা দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লকখিবা য়ু এস ক্রুপশিং য়ানখিবগী মতুং ইন্না লৌথোকপা হৌখ্রে



কাবুল, মে ০২ (এজেন্সী) :
মে ১ দগী অফঘানিষ্টানদা দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লকখিবা য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা টালিবান লালহৌবশিংনা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা অয়েৎপা পীদনবা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়রি।

অফঘান মনুংদা চহী লীশাং শিংনা টালিবান অমসুং অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাকখি। মদুনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদবা মীওই কয়া শিহনখ্রে অমদি কয়া অমনা ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনখি। অফঘান মনুংদা ওইরিবা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোকশিং অদু লোইশিহন্নবগীদমক নেটো অমদি য়ু এসনা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা লাক্লি।

কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা য়ু এস ক্রুপশিং অফঘানদগী লৌথোকখ্রবদি টালিবান লুচিংবশিংনা অফঘান গভর্ণমেন্টকা ৱারী শান্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং কুমজা ২০২০ ফাওবদা য়ু এস ক্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোকপদা খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী চহী অসিগী মে অমদগী হৌরগা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা ক্রুপশিং লৌথোক্লগনি হায়না য়ু এস অমসুং নেটোনা খঙহনখিবনি।

হায়দোকখিবগী মতুং ইন্না য়ু এস অমসুং নেটোনা মখোয়গী ক্রুপশিং ঙরাংদগী হৌরগা অফঘানিষ্টানদগী লৌথোকপা হৌখ্রে। চহী ২০ লোম য়ু এস ক্রুপশিংনা অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মতেং পাংদুনা লাকখিবনি। অফঘানদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লাক্লবগীদমক য়ু এসকী নৌনা প্রসিদেন্ট ওইরকখ্রবা জো বাইদেননা দিপ্লোয় তৌদুনা ক্রুপশিং লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। চহী ২০ হেন্না য়ু এস ক্রুপশিংনা মফমদুদা লৈদুনা হোৎনরবসু লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক লোইশিনবা ঙমদ্রি। ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্কে হায়রবদি টালিবান লুচিংবা অমসুং অফঘান গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকপনি হায়রি।

## কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 46,70,000+63,282 | 39,30,000+61,326 | 69,615+802 |
| Kerala | 16,10,000+35,636 | 12,80,000+15,493 | 5,356+48 |
| Karnataka | 15,60,000+40,990 | 11,40,000+18,341 | 15,794+271 |
| Uttar Pradesh | 12,80,000+30,180 | 9,68,000+38,826 | 12,874+304 |
| Tamil Nadu | 11,90,000+19,588 | 10,50,000+17,164 | 14,193+147 |
| Delhi | 11,70,000+25,219 | 10,60,000+27,421 | 16,559+412 |
| Andhra Pradesh | 11,20,000+19,412 | 9,82,000+11,579 | 8,053+61 |
| West Bengal | 8,46,000+17,512 | 7,18,000+14,374 | 11,447+103 |
| Chhattisgarh | 7,45,000+15,902 | 6,15,000+13,532 | 8,810+229 |
| Rajasthan | 6,16,000+17,652 | 4,29,000+11,676 | 4,399+160 |
| Gujarat | 5,82,000+13,847 | 4,29,000+10,582 | 7,355+172 |
| Madhya Pradesh | 5,76,000+12,379 | 4,81,000+14,562 | 5,718+102 |
| Haryana | 5,02,000+13,588 | 3,95,000+8,509 | 4,341+125 |
| Bihar | 4,84,000+13,789 | 3,73,000+10,905 | 2,642+82 |
| Odisha | 4,55,000+10,413 | 3,91,000+5,634 | 2,054+11 |
| Telangana | 4,51,000+7,430 | 3,68,000+5,567 | 2,368+56 |
| Punjab | 3,78,000+7,017 | 3,11,000+4,448 | 9,160+138 |
| Assam | 2,57,000+3,453 | 2,29,000+2,229 | 1,330+23 |
| Jharkhand | 2,40,000+6,323 | 1,78,000+5,433 | 2,829+169 |
| Uttarakhand | 1,86,000+5,493 | 1,32,000+3,751 | 2,731+107 |
| Jammu and Kashmir | 1,80,000+3,832 | 1,47,000+1,801 | 2,330+47 |
| Himachal Pradesh | 1,02,000+2,751 | 80,585+1,220 | 1,525+28 |
| Goa | 93,355+2,303 | 68,249+1,310 | 1,222+54 |
| Puducherry | 60,001+1,379 | 48,921+623 | 817+12 |
| Chandigarh | 43,446+799 | 35,735+472 | 489+11 |
| Tripura | 35,589+247 | 33,720+41 | 398+1 |
| Manipur | 31,905+319 | 29,843+79 | 410+5 |
| Arunachal Pradesh | 18,636+217 | 17,190+56 | 59 |
| Meghalaya | 17,108+262 | 15,275+192 | 174+3 |
| Nagaland | 14,134+158 | 12,674+63 | 107+3 |
| Ladakh | 14,086+117 | 12,542+166 | 144+1 |